### অনীশুবা মণিপুর ওলিম্পিক গেমস ২০২২

# ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা নুপাগী পোলো অমদি ফুটবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর ওলিম্পিক এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা অনীশুবা মণিপুর ওলিম্পিক গেমসকী নুপাগী পোলো অমদি ফুটবোল মশান্নদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখ্রে।

ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ১৬তগী লাকপা শান্নরোয় ৬,০০০ লোম্না থা অসিগী ২৬তগী হৌদুনা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৩৪দা অথোই-অহেন তান্নরকপা গেমস অসি লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুংথিল পুং ৩দা ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা লোইশিল্লগনি।

**পোলো :** হপ্তা কাংজৈবুং পেলেস কম্পাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টপু ৪-৩দা মায়থীবা পীখ্রে।

থৌবালগী এম কুবেরনা অহানবা চক্করগী শান্নবা হৌরকপগী ০.৪৮ মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ২.১৬তা গোল ১গা হাপচিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টপু ২-০দা অহানবা চক্কর লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

অনীশুবা চক্করদা কেপ্টেন টি ঐচ রঞ্জিৎনা শান্নবগী ৫.৫০দা ইম্ফাল ইষ্টকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং এল অতাংবনা শান্নবগী ৬.১০দা ইক্বেলাইজ গোল চনশিন্দুনা স্কোর ২-২দা লৈহনখি।

টিম অনীনা অহুমশুবা চক্করগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্ম খিদে। মখা তানা ৪শুবা চক্করদা টিম অনীনা গোল অমমম্ চন্নখি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোল অদুনা টি ঐচ রঞ্জিৎনা চনখি অদুগা থৌবালগী গোল অদুনা কেপ্টেন পি ওজিৎনা চনখি।

টিম অনীনা স্কোর মান্নবদগী অহেনবা চক্কর অমা শান্নবদা ঐচ অবুং খুমননা ইম্ফাল ইষ্টকী মায় পাকপগী মরুওইবা গোল চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ককচীংবু ১২-১দা মায়থীবা পীখি।

**ফুটবোল :** লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ইষ্টনা চুড়াচান্দপুরবু টাই ব্রেকতা ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

টিম অনীনা অপীবা মতমগী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা দ্রো ওইখি। মখা তাবা টাই ব্রেকতা চুড়াচান্দপুরগী মায়কৈদগী পাওগিনমোন মথন্তা গোল ওন্থোকপা ঙমখি অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী বিক্কি, গিভসন অমদি এস অভিনাশনা গোল ওন্থোক্লুনা চুড়াচান্দপুরবু ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা অয়ূক শান্নখিবা নুপাগী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা ককচীংনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু ৪-৩দা অদুগা নুপীগী ব্রোঞ্জ মেদল মেটচতা ককচীংনা বিষ্ণুপুরবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

**শুটিং :** খুমন লম্পাক শুটিং রেঞ্জতা ঙসি পাঙথোকখিবা মিটর ১০গী পিষ্টোল ইন্দিভিজ্যুএল নুপাগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী কুনিসন তোনানবমনা পূন্না পোইন্ট ৫৬৭ ফংদুনা অহানবা, ইম্ফাল ইষ্টকী উশম খৃষ্টোফরনা পোইন্ট ৫৬২ ফংদুনা অনীশুবা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী কাংজম প্রেমনা পোইন্ট ৫৫৬ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

চপ মান্নবা ইভেন্টকী নুপীগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী য়াইফবী তেলেমনা গোল্ড, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ইরেংবম রিমানা সিলভর অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী সিলভিয়া লৌক্রাকপমনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

**বেদমিন্টন :** দি এম য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা এম বি এ হোলদা ঙসি শান্নখিবা মেন্স সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা বিষ্ণুপুরগী হেমাম মালেমঙানবনা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী ব্রিক্সন লোংজমবু ২১-১২, ২১-১৬ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী চিংঙাংবম রিতেশনা থৌবালগী সাইখোম গুংবু ২১-১২, ২২-২০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে।

ৱিমেন্স সিঙ্গলসকী সেমীফাইনেল মেটচ অনীদা বিষ্ণুপুরগী ভিলিন্দা হুইদ্রোমনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লিওনি তায়েঞ্জমবু ২১-১৫, ২১-১০ অমদি ককচীংগী সগোরিকা নাওরেমনা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ুম্লেম্বম ধনবতিবু চনুবু ২১-১৩, ১০-২১, ২১-১৬তা মায়থীবা পীখি।

মিক্স দবলসকী সেমীফাইনেলদা মায় পাক্তুনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ভিক্সন চিরোম অমদি অঙ্গিতা নাওরেম অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংথোম্বম অভিনাশ অমদি মোইরাংথেম প্রিয়া ফাইনেল চঙখ্রে।

মেন্স দবলসকী বিষ্ণুপুরগী এলেন রাজকুমার অমদি হাওবিজম রোহেনকুমার অদুগা থৌবালগী বিদ্যাচন্দ্র খুন্দ্রাকপম অমদি সাইখোম গুং; ৱিমেন্স দবলসকীদা ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্সম গুনগুন অমদি মোইরাংথেম প্রিয়া অদুগা বিষ্ণুপুরগী খ্বাইরাকপম রোশমী অমদি লৈমপোকপম দাইনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ফাইনেল মেটচশিং লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮.৩০দগী হৌদুনা শান্নরগনি।

**এথলেটিক্স :** সাই এন ঈ আর সী তাকয়েলদা পাঙথোকখিবা মিটর ১০,০০০গী লমজেলদা সেনাপটিগী ঐচ ঙাওপুলৌনা সেকেন্দ ৩২:৫৫.৩৭দা লমথুংফম য়ৌদুনা নুপাগী অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী টি রসিয়ানা সেকেন্দ ৪২:১৫.৭৮দা নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।

মিটর ১০০গী হর্দলদা ককচীংগী এম অলকেননা নুপাগী অদুগা ইম্ফাল ইষ্টকী এ অঞ্জিতানা নুপীগী; মিটর ৪০০গী লমজেলদা ইম্ফাল ইষ্টকী লোংজম মালেমঙানবনা নুপাগী অদুগা দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী চিংঙুলেম্বীনা নুপীগী; হাই জম্প ইভেন্টতা থৌবালগী এস ঙাম্থোই অমদি এল মঙালসনানা নুপা অমদি নুপীগী; মিটর ৩,০০০গী এস সী ইভেন্টতা বিষ্ণুপুরগী দল্লিয়ু রোহিটনা নুপাগী অমদি থৌবালগী এম কে খলেদানা নুপীগী গোল্ড মেদলশিং লৌবা ঙমখি।

**ইক্বেষ্টেরিয়ন :** ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা পাঙথোকপা টেন্ট পেগিং মেন্স টিম ইভেন্টতা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী এম অভিজ্ঞান, এল রবিকান্ত, আই রাহুল অমদি এম দি ৱাজিউদ্দিন খাননা গোল্ড অদুগা ইম্ফাল ইষ্টনা সিলভর অমদি বিষ্ণুপুরনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

টেন্ট পেগিং ইন্দিভিজ্যুএল ইভেন্টতা থৌবালগী এল জয়কুমারনা অহানবা, ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাই সুরজনা ২শুবা অমদি বিষ্ণুপুরগী এল তোম্বনা ৩শুবা; শো জম্পিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ প্রিতমনা অহানবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী উমেশ গুরুংনা ২শুবা অমদি বিষ্ণুপুরগী এল তোম্বনা ৩শুবা পোজিসনশিং তাবা ঙমখি।

**হোক্কী :** খুমন লম্পাক হোক্কী ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী অহানবা সেমীফাইনেলদা ইম্ফাল ইষ্টনা ইম্ফাল ৱেষ্টপু ৮-২দা মায়থীবা পীখি। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু এম ধনঞ্জয় অমদি এন জেবসননা ২/২ অদুগা এ দেবেশ্বর, এস ঐচ সুরজ, এন বাখির অমদি টি ঐচ কিংসননা অমমম্ চনখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী গোল ২ অদুনা এস সেনসন অমদি কে ঐচ জেস্পরনা চনখিবনি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা বিষ্ণুপুর হোক্কীনা থৌবালবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। বিষ্ণুপুরগী গোলশিং অদু পি ঐচ মালেমঙানবনা ২ অদুগা এল বোইং, টি নিরজ অমদি এম প্রিতমনা অমমম্ চনখি। থৌবালগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে ঐচ বেদিয়াকুমারনা চনবা ঙমখি।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা সেমীফাইনেল মেটচ অমদা ইম্ফাল ইষ্টনা বিষ্ণুপুরবু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ইম্ফাল ইষ্টকী গোলশিং অদু ঈ সিলভিয়ানা ২ অদুগা এল রিতু অমদি এন কমলানা অমমম্ চনখি। বিষ্ণুপুরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা টি ঐচ দেনালিনা চনখি।

**স্বিম্মিং :** খুমন লম্পাক স্বিম্মিং পূলদা পাঙথোকপা মশান্না অসিদা ইম্ফাল ইষ্টনা গোল্ড ১৯, সিলভর ১১ অমদি ব্রোঞ্জ ১৬ পূন্না মেদল ৪৬ ফংদুনা ওভরওল চেম্পিয়ন অদুগা ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল্ড ১১, সিলভর ১৬ অমদি ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ৩৩ ফংদুনা ওভরওল রন্নর্স অপ তাবা ঙমখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী বেক ষ্ট্রোক অমদি মিটর ১০০গী ফ্রীষ্টাইলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস অথৌবা মৈতৈ, মিটর ১০০গী বট্টরফ্লাইদা ইম্ফাল ইষ্টকী এস পূন্সিবা মৈতৈ, মিটর ১০০গী বেক ষ্ট্রোকতা ইম্ফাল ইষ্টকী এন জেসন মৈতৈ অমদি মিটর ২০০গী ফ্রীষ্টাইলদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী লাইতোঞ্জম লনচেনবনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী দেকালু টি ঐচ পানমৈনা মিটর ১০০ অমদি ২০০গী ফ্রীষ্টাইল, ইম্ফাল ইষ্টকী এল জেসিকা চনুনা মিটর ৫০গী বেক ষ্ট্রোক অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী মতিলদা লাইথাংবমনা মিটর ২০০গী ব্রেষ্টষ্ট্রোকতা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

**আর্চরি :** ইম্ফাল ইষ্টনা গোল্ড ৭, সিলভর ৫, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ১৪ ফংদুনা অহানবা অদুগা থৌবালনা গোল্ড ৪, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৭ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন তাখ্রে।

সাই এন ঈ আর সী তাকয়েলদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন রাউন্দ টিম ইভেন্টকী নুপীগীদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী হুইদ্রোম রাজপ্রিয়ারী, এল তোমথিনঙানবী, য়ু মোর্নিং চনু অমদি সোরোখাইবম মেলোদি অদুগা নুপাগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী কে বোরিশ, টি ঐচ লানঙম্বা, সী ঐচ জোন্সন অমদি এল নাওতোননা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

**কারাটে :** ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল্ড ৪, সিলভর ২, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ৯ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন অদুগা ইম্ফাল ইষ্টনা গোল্ড ৩, সিলভর ৩, ব্রোঞ্জ ৫ পূন্না মেদল ১১ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ অমদি ককচীংনা গোল্ড ২, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ৩ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী ফাইনেল বাউটশিংদা ইম্ফাল ইষ্টকী কোঞ্জেংবম দোরিতা চনুনা কাটা অমদি কুমাইট (কেজি ৫০), বিষ্ণুপুরগী কে ঐচ রোশনীনা কুমাইট (কেজি ৬০) অমদি থৌবালগী লাইশ্রম গীতাঞ্জলিনা কুমাইট (কেজি ৬১ মথক) কাঙলূপ্তা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ইম্ফাল ইষ্টকী এস ঐচ নেত্রজিৎনা কাটা অদুগা ককচীংগী সোইবম জেমস অমদি এম জয়চন্দ্র, ইম্ফাল ৱেষ্টকী থোঙাম সুরজ, এল প্রেমজিৎ, য়ুম্নাম ষ্টেলিন অমদি লাইশ্রম য়াইফবনা কুমাইটকী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিদা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

**মুক্না :** হৈরোক্তা পাঙথোকপা মশান্না অসিগী তোঙান-তোঙানবা ৱেথ কেটগোরিশিংদা ককচীংগী এন সনাথোই, টি ঐচ দিপক; বিষ্ণুপুরগী ৱাই ধমেন, এম রোমেশচন্দ্র, ৱাই মালেমঙানবা; থৌবালগী টি ঐচ দিক্কু, ঐচ দিনেশ, এম সনাথোই; ইম্ফাল ৱেষ্টকী এন সোমোর্জিৎ অমদি এল বিনোদনা গোল্ড মেদলশিং ফংবা ঙমখি।

**খো-খো :** খাঙবোক বাসু গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা থৌবালনা তমেংলোংবু পোইন্ট ১৯-১৭তা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। অদুগা নুপীগী ফাইনেলদা থৌবালনা ইম্ফাল ইষ্টপু ১১-৯দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি।

**কাং :** খুমন লম্পাক কাংশঙদা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেটচতা ইম্ফাল ৱেষ্টনা ককচীংবু পাঞ্জল ২দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্টনা পূন্না পাঞ্জল ১৬ লৌবা ঙমখি অদুগা ককচীংনা পাঞ্জল ১৪ লৌবা ঙমখিবনি।

নুপীগী কাঙলূপ্তা জিরিবাম্না ৱিন্নর অদুগা ইম্ফাল ইষ্টনা রন্নর্স অপ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্টনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

**ফেন্সিং :** সাই তাকয়েলদা পাঙথোকপা মশান্না অসিদা ইম্ফাল ৱেষ্টনা গোল্ড ৬, সিলভর ৫, ব্রোঞ্জ ৪ পূন্না মেদল ১৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন অদুগা ইম্ফাল ইষ্টনা গোল্ড ৫, সিলভর ৬, ব্রোঞ্জ ৬ পূন্না মেদল ১৭ ফংদুনা টিম রন্নর্স অপ অমদি ককচীংনা গোল্ড ১, ব্রোঞ্জ ১ পূন্না মেদল ২ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।



## আই এফ সী, ৱাই য়ু সী মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): সেকমাইগী এস কে ৱাই সী গ্রাউন্দদা চথরিবা সঙ্গিতা ফর্ষ্ট দিভিজন লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা আই এফ সী লম্ফেলনা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালবু ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

আই এফ সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ভি এস সাজোর অমদি এস অৰুংশিনা শান্নবগী ২৭ অমদি ৭২ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি। লংথবাল টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মালেম ঙাংবমনা শান্নবগী ২৬ শুবা মিনটতা চনখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ৱাই য়ু সী ইরোম মৈজ্রাওনা বি এম এস সী তৌবুংখোকপু ৪-১দা মায়থীবা পীখ্রে। ৱাই য়ু সীগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম চৌরজিৎনা ২ অদুগা এ বিসন অমদি এস পেলেনা অমমম্ চনখি। বি এম এস সীগী গোল অদুনা অজমল হুসেননা চনবা ঙমখি।

## ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচশিং শান্নখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): নেসনল স্পোর্টস দেগা মরী লৈননা আই জি এ আর (সাউথ)কী লমজিং মখাদা মোদি বট্টালিয়ন, খুগা বট্টালিয়ন, লোক্তাক বট্টালিয়ন অমদি মোরে বট্টালিয়ন অসাম রাইফলসনা শীন্দুনা তেংনৌপলগী মচি ভিলেজ, চোংজাং ভিলেজ; চুড়াচান্দপুরগী সিংহাট ভিলেজ অমদি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা লমদম অদোমগী নহাশিং অমদি অসাম রাইফলস ট্রুপশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ভোলিবোল মেটচশিং পাঙথোকখ্রে।

## চৈবী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): মীতৈগী লাইনিং-লাইশোল, য়ুম্বানলোন, থকশি-খাশি অমসুং থাঙতা মশান্নবু হেন্না মশক থোকহন্দুনা তুংদা হৌরক্লিবা নহাশিংবু তিঞ্জং-কায়জংদবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা পান্দমদা লিংখৎখিবা য়াকাইপুং থৌপাংলূপ লমদিংগী ঙসি মরিরকশুবা মপোক কুমওন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ৩৪ শুবা ষ্টেট লেভেল চৈবী য়েন্দম্নবদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা লুচিংপুরেল লাইখুরাম বালদেব মৈতৈ, স্লোপলেন্দ পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল নহাকপম বাবুলিন মৈতৈ অমদি শিন্তাকঅহল ওক্রম মংলেমনা ফম্বাক্কী লৈতেং ওইনা শরুক য়াখি।

## দুরান্দ কপ : ওরিষ্যানা সুদেভা দেল্লী, মুম্বাই সিটিনা রাজস্থান থোইখ্রে




গুৱাহাটি, ওগষ্ট ২৯ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন ওইল দুরান্দ কপকী ১৩১ শুবা ইদিসনগী ঙসি গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ দিগী মেটচ অমদা ওরিষ্যা এফ সীনা সুদেভা দেল্লী এফ সীবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

সোল ক্রেস্পো প্রেটোনা শান্নবা হৌরকপগী ১৯ শুবা মিনটতা ওরিষ্যাগী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৩৮ শুবা মিনটতা গোল ১গা হাপচিনবা ঙমখি। গোল চনখিবগা ইকান কান্নদনা মাৱিমিংথাংঙানা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা ওরিষ্যাগী মায় পাকপগী অহুমশুবা গোল চনবা ঙমখি।

অমরোমদা, কোলকাটাগী কিশোর ভারাতি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা মুম্বাই সিটি এফ সীনা রাজস্থান য়ুনাইটেদপু লাকচনা ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে। মুম্বাই সিটিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জেমস ষ্টেৱার্দ, লাললিয়ানজোলা চাংতে, মেহতাব সিংহ, অহমদ জাহৌ অমদি বিক্রম প্রতাপ সিংহনা শান্নবগী ১০, ১৮, ৩৬, ৬৩ অমদি মেটচ লোইরমদাই ইঞ্জ্যুরি টাইমদা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি। রাজস্থান য়ুনাইটেদকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা গ্যামার নিকুমনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা চনখিবনি।



HL-B/7728/10/7-6/9(alt)

## থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৯ (ঐচ এন এস): কলিকটতা সেপ্টেম্বর ১দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ২১শুবা জুনিয়র নেসনল ৱুশু চেম্পিয়নশিপতা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগী ট্রায়ল সেলেক্সন অমা নোংমাইজিং নুমিৎতা সাই তাকয়েল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবদা অচৌবা মতেং পাংলকখিবা য়াসকী মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজম, ৱুশু এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়াগী সী ঈ ও সুহেল অহমদ অমদি সাই তাকয়েলগী রিজনেল দিরেক্টর ফ্রান্সিস মাৰ্ৱিন অমদি অমুকোগী থৌমীশিংবু ৱুশু প্লেয়র্স পেরেন্ট এন্দ গার্জিয়ন এসোসিএসনগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।




HL-B/7804/19/8-16/9(alt)



HL-P/5688/17,18,20,21,23,25,27,28

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 557

**GM VI Akopian (2620) - IM Craig Hilby (2422)**
**122nd US Open 2022 Rancho Mirage USA, 2022.08.02**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 Nc6 | 3.Bb5 a6 | 4.Ba4 b5 |
| 5.Bb3 Bb7 | 6.d3 Nf6 | 7.Nc3 Bc5 | 8.Nd5 Na5 |
| 9.Bg5 Bxd5 | 10.Bxd5 c6 | 11.Bb3 Nxb3 | 12.axb3 Be7 |
| 13.O-O h6 | 14.Be3 d6 | 15.Nh4 g6 | 16.Nf3 h5 |
| 17.d4 Qc7 | 18.dxe5 dxe5 | 19.Qd3 O-O | 20.Qc3 Bd6 |
| 21.Bc5 Bxc5 | 22.Qxc5 Rfe8 | 23.Rfe1 a5 | 24.h3 a4 |
| 25.bxa4 Rxa4 | 26.Rxa4 bxa4 | 27.Ng5 Rb8 | 28.Ra1 Rb5 |
| 29.Qc3 Qb6 | 30.Rxa4 Rxb2 | 31.Qa3 Nd7 | 32.Ra8+ Kg7 |
| 33. ... | | | |

**QUESTION :**
**White to win**

**Puzzle 556 Ans. :**

17. Ng5+ Kg8 18. Qb3+ Nd5 19. Rh8+ The white rook decoys Black's king. Kxh8 20. Qh3+ Kg8 21. Qh7+ The white queen attacks Black's king, which is defending the square h8. Kf8 22. Qh8# Back-rank mate
1-0



HL-B/7717/21/8-31/8

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com